# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-04-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

২) রাজ্য অসিদা ঙসি শজিবু চৈরাওবগী থৌরম ধর্ম্মগী লাইনিং লাইশোলগা লোয়নন‌া পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়রি- য়ুমথংনবা লৈবাক ম্যান্মারগী শান্তি রক্ষাগী ফিভম ফগৎপা লৈত্রি।

------

সেক্যুরিতি ফোর্স (এল) ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ ৪৪ নিরোম নোংমৈ কাপবনচিংবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকখিদ্রবা মতুং ঙরাং নৌনা অমুক নোংমৈ কাপবগী থৌদোক থোক্কুনা অশোক অপন নংখ্রবা মতুং সেক্যুরিতি ফোর্সনকী কাংবুনা মফম কয়াদা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈখি। চ্যেক পোইন্ট ১২৯ হাংদোক্কুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌখি। অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ১৭১ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল য়ৌহল্লকখ্রে হায়রি।

মীখল (এল) ঃ লোক সভা মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা মীখল অসিদা পোল্লিং পার্সোনেল ওইনা মথৌ তৌগদবা মীওইশিং অরোইবা রাউন্দগী ত্রেনিং চথনবা শেম শারে। বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ তা অরোইবা রাউন্দগী ত্রেনিং পাঙথোক্কনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার বিষ্ণুপুরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, জিলা অসিদা হাংলিবা স্পেসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন ২২ দা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং অরোইবা রাউন্দগী ত্রেনিং হয়েং পাঙথোক্লগনি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনা চহি ৮০ শুরবা অমদি মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিং য়ুমদগী ভোৎ থাদহন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা মীওই ১১ না শাবা পোল্লিং ওফিসিয়েলশিং ঙরাং লমথাখ্রে। অহল ওইরবশিং অমসুং হকচাংগী ফিভম মীমান্নদবশিংগীদমক অহানবা ফেজগী ওইনা মশাগী ময়ুমদগী ভোৎ থাদহন্নবা থৌরাং অসি পায়খৎপনি। জিলা অদুগী বিধান সভা কেন্দ্র মরিদা লৈবা হোম ভোতরস ৬৭ মায় পাকা ভোৎ থাদহনখি হায়রি। রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎশিং য়াওনা হোম ভোতরশিংগী পোষ্টেল বেল্লোট অদু শিল্ড তৌশিনদুনা থমখি। তুংদা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কেন্দ্রগী রিটর্নিং ওফিসারদা থাখি হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনা অহুমসুবা রাউন্দগী পোল্লিং পার্সোনেলশিংগা ত্রেনিং ঙরাং মায় পাকা পাঙথোকখ্রে।

চৈরাওবা (এল) ঃ রাজ্য অসিদা ঙসি শজিবু চৈরাওবগী থৌরম ধর্ম্মগী লাইনিং লাইশোলগা লোয়ননা পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরগী রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা রাজ্য অসিগী লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরি।

রাজ্যপালগী পাউজেলদা হায়- অনৌবা চহি লাকপগী মশক তাকপা কুম্মৈ অসি লাকপদা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরক্তুনা নুংঙাই য়াইফবা, চাওখৎপা লমদম অমা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মহাক্কী পাউজেলদা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা তিনজং কাইজংদবা, নুংঙাই য়াইফবা রাজ্য অমা ওইরসনু।

মহুদ মন্ত্রি য়ুমনাম খেমচান্দ য়াওনা অতৈ মন্ত্রি অমদি এম.এল.এশিংনসু নুমিৎ অসিগী য়াইফ পাউজেল পীরি। অমরোমদা, রাজ্য অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনসু য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

এক্সতর্নেল এফ্যারস ঃ কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়রি- য়ুমথংনবা লৈবাক ম্যান্মারগী শান্তি রক্ষাগী ফিভম ফগৎপা লৈত্রি। ম্যান্মারগী সিটৱে কন্সোলেটতা লৈবা ভারতকী ষ্টাফশিং য়াঙ্গোনদা থমখ্রে হায়রি। ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মন্ত্রালয় অসিগী মচিন চৎপা মীশক রনধির জৈসৱানা হায়- ম্যান্মারগী রাখাইন ষ্টেট য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুৎ থোকবগী থৌদোক তত্তনা থোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ভারত মচাশিং লৈবাক অদুদা চৎপা মতমদা চেকশিন্নবা মন্ত্রালয়গী মাইকৈদগী মাংজোননা খঙহন্নখিবা লৈরে।

অমরোমদা, ভারত মচা অহুম নমদুনা ফারগা ম্যান্মারদা লৈবা শাশিন্নবা কোল সেন্তর অমদা থবক তৌহন্দুনা থম্লি হায়বা ৱাথোক অদুগী মতাংদা ভারতকী এম্বেসিনা মীৎয়েং চংবা হৌখ্রে হায়নসু রনধির জৈসৱালনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- ম্যান্মারদা লৈবা ভারত মচাশিংদা করিগুম্বা খুদোংচাদবা থৌদোকশিং থোকপা মতমদা এম্বেসিনা মীৎয়েং চংদুনা লাক্লি। লৈবাক অদুগী মীওইশিংগী মতেংগা লোয়ননা নমদুনা ফাখি হায়বা মীওই অহুম অদু ভারত্তা অমুক পুরকবা হোৎনরি হায়নসু মখা তাখি।

রেল্লি ঃ বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা য়াওনা দল অসিগী ষ্টার কেম্পেন্নরশিংনা লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক কন্না চখরি। ঙরাংসু উধমপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা প্রধান মন্ত্রি শরুক য়াখি। শ্রী মোদিনা হায়- হন্দক্কী মীখল অসি জম্মু কাস্মীরদা তেরোরিজম অমসুং তোখায় তানিংবশিংগী মায়োক্তা

অকিবা লৈতনা পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়- জম্মু কাশ্মিরদা হৌখিবা চহি ৬০ অসিদা থেংনরিবা থৌদোক ৱাথোকশিং লোয়শিন্নবা বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ সরকারনা হোৎনগনি।

ঙসিসু লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা পাঙথোক্কদবা মীখলগা মরী লৈনবা মীফমশিংদা প্রধান মন্ত্রি য়াওনা দল অসিগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াগদৌরি। মণিপুরদসু হয়েং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ লাক্তুনা হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা মীফমদা শরুক য়াগনি হায়রি। মীফম অসিগীদমক হপ্তা কাংজৈবু শেম শাবগী থবক লোইখ্রে।

অমরোমদা, কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি-জয়রাম রামেসশনা হায়রি- জম্মু কাশ্মিরদা কেন্দ্রনা নম্ফু শাফু তৌবদগী সেক্যুরিতিগী ফিভমদা অচৌবা অকায়বা অমা ওইদুনা লাক্লি। মসিগীসু মথক্তা মতম চানা মীখল পাঙথোক্তবনা রাজ্য সরকারগী সিট মরিমক হাংদুনা লৈরিবনি হায়না বি.জে.পিবু মরাল শিরি।

লান্মী ঃ ভারত লান্মীগী ত্রি শক্তি কোর্পসনা এন্তি টেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল (এ.টি.জি.এম)গী ত্রেনিং এক্সরসাইজ পাঙথোকখ্রে। সিক্কিমদা লৈবা ফিট লিশিং ১৭ লোম ৱাংবা মফমদগী এ.টি.জি.এম অদু কাপ্তুনা ত্রেনিং এক্সরসাইজ পাঙথোকখি। মদুদা ইষ্টর্ন কম্মান্দগী ইফেন্টরি য়ুনিতশিং শরুক য়াখি।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা দিল্লি কেপিটেলসনা লখনৌ সুপর জাইন্টসবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে। লখনৌগী ভারত রত্না অতল বিহারি ভাজপায় একা ষ্টেদিয়মদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংসতা বেত্তিং হান্না তৌখিবা লখনৌ সুপর জাইন্টসনা ওভর ২০ মায়োকবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৬৭ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা দিল্লি কেপিটেলসনা ওভর ১৮ গা বোল ১ দা ৱিকেট ৪ তুদা পান্দম অদু য়ৌবা ঙমখি। ঙসি মহারাজা য়াদাবিন্দ্র সিংহ ইন্তরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পঞ্জাব কিংসকা রাজস্থান রোয়েলসকা শান্নরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি মীখল নকশিল্লকপদা হংলাই কুকি মিলিটেন্টশিং শান্ননবা লং তৎলব্রা হায়না সবহেদলাইন পীরগা মেন হেদলাইনদা নুমিৎ ২৫ নি লেপ্লুরবা মতুং কুকি মিলিটেন্টশিংগা অকনবা মওংদা খুৎ থোকখ্রে, খুল ঙাকপা অহুম শোক্লে হায়বা পাউ অসি ফোংলি। পাউ অসি মোর্নিং বেল, ঈচেল এক্সপ্রেস, পিপলস ক্রোনিকল, সনালৈবাক, শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক্তা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন অসি এটেক তৌরকপদগী বিমোলগী কেম্পেন য়েথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদা অনিসুবা হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অদুদি- মোইরাং ফাইরেনবম লৈকাইগী মান্দপতা পাঙথোক্কদবা অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী ইলেক্সন মিতিং নোংমৈ কাপশিন্দুনা থুগাইখ্রে হায়বা পাউ অসি ফোংলক্লি।

হিংহাৎ হাৎপা, য়ুম মৈ থাবা, রিলিফ কেম্পতা ৱানা হিংহনবগী বি.জে.পিদা তৌবীমল খঙবা উৎলু হায়রিব্রা হায়না ৱাহং হংবা বিমোল অকোইজমগী ৱাফম অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন অসি বেন্নর হেদলাইনি। হেদলাইন অদুদি পি.এমনা ইংথা তপথরে হায়না ফোংদোকখ্রবা মতুং কুকিশিংনা লান্দারকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি। বেন্নর হেদলাইন অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা সবহেদলাইন অনিসু ফোংবা থেংনরে। অহানবা সবহেদলাইন অসি গেনজাংদা কুকিশিংনা চথুরকপদা লান্দাদা মীতৈ খুল ঙাকপা অহুম শোক্লে। অনিসুবা সবহেদলাইনদনা কুকিশিংনা মীতৈগী সো মিল অমা তুমা মৈ থাখ্রে, চেন্নবা ৬ ফারে হায়বা হেদলাইন অসিনি। মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইন অসি ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি.পেট শিন্দোকপগী অনিসুবা ফেজ লোইরে, এপ্রিল ১৮ গী অয়ুক্তগী মফম খুদিংদা ষ্ট্রোরুম হাংদোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ফোংলক্লি।

------